## প্রোজেক্ত মমিংঃ মনিপুর অর্বান রোদ দ্রেনেজ এসেত মেনেজমেন্ত প্রোজেক্ত (MURDAMIP)

## রিসেত্তলমেন্ত প্লান্নিং ফ্রেমৱর্ককী মচঙ ওইবা শম্লপ্পা ৱারোল

### A. ৱাহৌদোক

ইম্ফাল সহর অসি ভারতকী রাজ্য অমা ওইরিবা অমা ওইরিবা মনিপুরগী কোনুংনি। সহর অসি মনিপুর তম্পাক্কী, মপুং ওইনা ময়ায়থংবা শরুক্তা লৈ। ইম্ফালনা মনিপুরগী কোনুং ওইনা লৈবনা লৈঙাক্লোন, রাজনিতী অমসুং নাৎকী ওইবা থৌরমশিং, লোয়ননা অনৌবা ৱাখল্লোন্দা য়ুম্ফম ওইদুনা পুথোরকপা থবকশিং পাঙথোকফম ওইরি। সহর অসিদা হান্নদগী হৌনা লৈজরম্লবা মীওইশিংদা নত্তনা অরাপ্পা চীং অমদি তমগী খুঙ্গংশিংগী মীওইশিংসু মফম অসিদা লৈনিংবা পোকহল্লি। মরম অসিনা, ইম্ফালগী মীশিং অসি য়াম্না থুনা হেনগৎলক্লি। মীয়াম্না ম্যুনিসিপালিতীনা কোন্থা মফমশিং অমসুং গ্রেতর ইম্ফালগী মনুংদা খুন্দানবা হোৎনৈ। অদুবু হায়রিবা মফমশিং অসিগী লম্বী থোংগী ফীভমদি মতমগা চুনবা ওইদ্রি।

### B. প্রোজেক্ত অসিগী পান্দম

মনিপুর অর্বান রোদ দ্রেনেজ এসেত মেনেজমেন্ত ইমপ্রুভমেন্ত প্রোজেক্ত (MURDAMIP)না থম্লিবা মরুওইবা পান্দমদি গ্রেতর ইম্ফালগী মফমশিংদা লৈরিবা লম্বীশিং হেন্না মপাঙ্গল কলহনবা, গারী থৌবদা নুংঙাইহনবা অমসুং খুদোং থিনিংঙাই ওইনা ইম্ফাল সহর ময়োলদা মথক্তা পুরিবা য়ুতিলিতী লাইনশিং – ইলেক্ত্রিক ৱাইয়র, কেবল ৱাইয়র, তেলিফোন লাইন্নচিংবা লৈনুংদা পুখিনবগী খুদোংচাবসু পীরি। হায়রিবসিগী মথক্তা, ইরম নলা (দ্রেনেজ সিস্তেম) ফগৎহনবা অমসুং মৈ নীংথিনা থানন্দুনা চখোক চৎশিন্দা হেন্না নুংঙাইহন্বা, মতম চঙহন্দবা অমসুং লম্বীগী ওইবা খুদোংথিবা কয়া হন্থহন্বনি। মসিনা লম্বীগী মতিং হেনগৎহন্দুনা, পন্দুনা লৈবগী মতম অমসুং য়ুতিলিতী সর্ভিসশিং মফম হোংদোক হোংজিন তৌবনা মরম ওইরগা মীয়ামদা খুদোংচাদবা থোকহন্বা হন্থহন্দুনা হেন্না নুংঙাইবা পুন্সি মহিং ওইহনগনি। মসিনা মফম অমদগী মফম অমদা চখোক চৎশিন তৌবদা হেন্না খুদোং চাহনগনি।

অতোপ্পা মরুওইবা পান্দম অমনা ফন্দিং ৱাৎপা অমসুং মতমগা চানদ্রবা তেক্নিকেল ইনপুৎশিংনা মরম ওইরগা ফীভম শোক্লা লৈরিবা গ্রেতর ইম্ফালগী মফমশিংদা থৌরাং য়াথোক্তুনা, চাওখৎপা পুরক্নবগীদমক ইম্ফাল সহর মনুংদা লৈরিবা খনগৎলবা কিলোমিতর ৫৪৭.২৮১গী লম্বীশিং শেমগৎপগী থবক হৌবনি। রিজিদ পেবমেন্ত প্রোজেক্ত অসি লোইরবা মতুংদদি, অফবা, নুংঙাইবা লম্বী ওইরবনিনা মেন্তেনেন্সকী হঞ্জিন হঞ্জিন চৎকদবা শেঞ্জং ইচঙ চঙলরোই।

### C. রিসেত্তলমেন্ত প্লান্নিং ফ্রেমৱর্ক (RPF)কী কাঙলোনশিং

রিসেত্তলমেন্ত প্লান্নিং ফ্রেমৱর্ক (RPF) হায়বসি চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্তশিংনা মরম ওইরগা মশানা য়ানিংদনা অমুক হন্না খুন্দাহনবগা মরী লৈনবা খুন্নাই অমসুং শেন্মিৎলোনগী শিংনবশিং মেনশিন্নবা পাম্বে পুরক্নবগীদমক শেম শারবা চৎন-পথাপ অমসুং কাঙলোনশিংনি। মসিনা শাথিনা শোকহল্লবা ফুরুপশিং অমসুং লনাই মীওইশিংদা পীরিবা চৈথেং হন্থহনগদবা মওংদা শিন-লাংনবা পরম অমা ওইনা মথৌ তৌগনি।

### D. রিসেত্তলমেন্ত প্লান্নিং ফ্রেমৱর্কী মথৌ তাবা

রিসেত্তলমেন্ত প্লান্নিং ফ্রেমৱর্ক (RPF) অসি মরম কয়াগীদমক য়াম্নমক মরু ওই। চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্তশিং পায়খৎলকপদা ফুরুপশিং নৎত্রগা লনাই মীওইশিংদা পীবা চৈথেং হন্থহন্নবগীদমক তঙাই ফদনা RPF অমা শেমগনি। মসিনা শোকহল্লিবা মীওইশিংদা পীরিবা চৈথেং হন্থহনবা, লিগেল অমসুং ইথিকেলগী পথাপশিং ইনবা, মতিং লৈবা থৌরাং য়াৎপা অমসুং পায়খৎপা, মীওইবগী হকশিং ঙাক্তুনা থম্বা, শোথরবা/শোকহল্লিবা কাঙলুপশিং শৌগৎপিবা অমসুং তুং কোইনা অমুক হন্না খুন্দা লৈতাহন্নবগী থৌওংশিং পায়খৎপদা মতেঙ ওইগনি।

মপুং ওইনা, রিসেত্তলমেন্ত প্লান্নিং ফ্রেমৱর্ক অমনা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্তশিংনা মরম ওইরগা মশানা য়ানিংদনা অমুক হন্না খুন্দাহনবগা মরী লৈনবা অরুবা শিংনবশিং থেংননবা/লৈহন্দনবা মওং মরিল নাইবা, লৌথুপ লৌকোয় লৈতবা, অমসুং মীওইবগী মিনুংশি চেনবা মচৎ অমা লৈহন্নবা লমজিং অমা ওইনা মথৌ তৌগনি।

### E. লিগেল অমসুং রিগুলেতরী ফ্রেমৱর্ক অমসুং এসিয়ন ইনফ্রাস্ত্রকচর ইনভেস্তমেন্ত বেঙ্ক (AIIB)গী এনভাইরনমেন্ত সেফগার্দ পোলিসী (ESP)

প্রোজেক্ত অসিদা য়াওরিবা অমুক হন্না খুন্দাহনবগী ৱাফমশিংগী পাম্বে পুরক্নবগীদমক শীজিন্নরিবা লিগেল ফ্রেমৱর্ক অমসুং কাঙলোনশিং অসি ইন্দিয়া লৈঙাক (GOI), মনিপুর লৈঙাক অমসুং এসিয়ন ইনফ্রাস্ত্রকচর ইনভেস্তমেন্ত বেঙ্ক (AIIB)গী লৈরিবা লেজিসলেসন অমসুং পোলিসীদা য়ুম্ফম ওই। প্রোজেক্ত পুম্বসিগী RPF শেম্বা মতমদা হান্নদগী লৈরবা লৈবাক্কী অমসুং স্তেতকী পোলিসীশিং মচা খায়না নৈনখি। মখাদা পীরিবা শরুক অসিদা নৈনখিবা তোঙান তোঙানবা লৈবাক্কী অমসুং স্তেতকী লেজিসলেসনশিংগী অকুপ্পা ৱারোল অমসুং ফ্রেমৱর্ক

অসিগী মনুংদা মখোয়বু শীজিন্নবা য়াবগী মওং মতৌশিং পীরি। RPF অসি লৈবাকসিগী চৎনবা য়াবা লিগেল অমসুং পোলিসী ফ্রেমৱর্কশিং অমসুং AIIBগী পোলিসীগী মখৌ তাবশিং অমুক হন্না য়েংশিনবা অমসুং নৈনবদা য়ুম্ফম ওইরগা শেমখিবনি। ইমপ্রুভমেন্ত ওফ রোদ ৱিদিন গ্রেতর ইম্ফাল ৱিথ রিজিদ পেবমেন্ত ইনক্লুদিং কনক্রিৎ লাইন্দ দ্রেন (MURDAMIP)না লম অমসুং খুন্নাইদা পীগদৌরিবা চৈথেঙগী মতাঙদা লৈরিবা পোলিসী অমসুং লিগেল ফ্রেমৱর্ক অসি মখাগীশিংসিদা য়ুম্ফম ওইগনি:

a. রাইত তু ফেয়র কমপেন্সেসন এন্দ ত্রান্সপেরেন্সী ইন লেন্দ একুইজিসন, রিহেবিলিতেসন এন্দ রিসেত্তলমেন্ত এক্ত (RFC&T in LAR&RA) ২০১৩.

b. AIIBগী এনভাইরনমেন্তেল এন্দ সোসিএল ফ্রেমৱর্ক অসি এনভাইরনমেন্তেল এন্দ সোসিএল এসেসমেন্ত এন্দ মেনেজমেন্ত (ESS 1) গী এনভাইরনমেন্তেল সোসিএল স্তেন্দর্দ্স (ESS); AIIBগী পোলিসী ওন লেন্দ একুইজিসন এন্দ ইনভোলুন্তরী রিসেত্তলমেন্ত (ESS 2) AIIBগী পোলিসী ওন ইন্দিজিনস পীপল্স (ESS 3)

c. AIIBগী প্রোজেক্ত-এফেক্তেদ পীপল্স মেকানিজম।

## F. নেগোসিএতেদ সেত্তলমেন্ত তৌনদুনা দাইরেক্ত পর্চেজতা লম লৈবা

লম লৌশিনবগী অশাংবা থৌওং লৈহন্দনবগীদমক রাইত তু ফেয়র কম্পেন্সেসন এন্দ ত্রান্সপেরেন্সী ইন লেন্দ একুইজিসন, রিহেবিলিতেসন এন্দ রিসেত্তলমেন্ত এক্ত, ২০১৩ (RFC&T in LAR&RA)গী মখাদা মশানা য়ানিংবা পতাদারশিং/ লম মপুশিংদগী দাইরেক্ত পরচেজ কম্মিতী অমা শেম্লগা লম হকথেংননা লৈবগী থৌওং, স্তেত অসিদা মান্নবা প্রোজেক্তশিংদা মপুং ওইনা তৌনৈ/চৎনৈ। কম্মিতী অসি দিস্ত্রিক্ত অদুগী দিপুতী কম্মিস্নরনা লুচিংলগা ফাইনান্স দিপার্তমেন্ত, রিভিন্যু দিপার্তমেন্ত, মরী লৈনবা সব-দিভিজনেল ওফিসর, মরী লৈনবা সব-রেজিস্ত্রার অমসুং লম লৌশিনগদৌরিবা লুপ অদুগী মীহুৎশিংনা মেম্বর ওইগনি। কম্মিতী অসিনা মতিক চাবা ওফিসর অমা হেক্তা মহাক্কী সর্ভিস মখৌ তারবদি মতমগী মতমগী ওইনা মেম্বর ওইহনবা য়াই।

স্তেত লৈঙাক্লসু পতাদারশিংগা ৱাফম অসিদা য়ানবা পুরকপদা কম্মিতী অসিনা ইনগদবা চৎন-পথাপ অমা থোকখ্রে অমসুং মখাগী পীরিবা রেত/মমল রিকম্মেন্দ তৌরি:

1. পল্লিবা লমগী মার্কেত রেত নৎত্রগা চৎনবা মমলসি RFC&T in LAR&R Act, 2013গী সেক্সন 26 অমসুং ওর্দর নম্বর 2/1/SR/2007-com (Rev) dated 20.03.2012 (মিনিমম গাইদেন্স ভেল্যু)গী মখাদা মার্কেত রেত অদু মরম চাবরা হায়না লেপথোকপা মতমদা মরী লৈনবা মফম নৎত্রগা মনাক নকপদা লৈবা মফমগী লমগী এভরেজ সেল দেতা খন্নগনি।

2. স্তেত লৈঙাক্কী নোতিফিকেসন নম্বর 4/12/LA/2014-Com (Rev) dated-03-08-2015দা পীবগী মতুং ইন্না RFC&T in LAR&RA Act, 2013গী ফর্স্ত সিদ্যুলগী মখাদা মল্তিপ্লিকেসন ফেক্তরশিং চৎনৈ। খুঙ্গংগী লমশিংদা খ্বায়দগী য়ামদবা কম্পেন্সেসন লেপথোক্লবগীদমক লমগী মার্কেত রেত অদুদা মখাগী ফেক্তরশিং অসিনা পুরিগনি।

| সহরগী মফমদগী প্রোজেক্তকী অরাপ্পা | লম অদুগী মার্কেত রেত্তা পুরিগদবা (multiply) ফেক্তর |
|---|---|
| কি.মি. ০.০০ দগী কি.মি ৫.০০ ফাওবা | ১.২৫ |
| কি.মি. ৫.০০ হেন্বদগী দগী কি.মি. ১০.০০ ফাওবা | ১.৫ |
| কি.মি. ১০.০০ হেন্বদগী পনখৈ লৈতবা ফাওবা | ২.০০ |

3. করিগুম্বা RFC&T in LAR&RA Act, 2013 অসি চৎনরবদি, রিহেবিলিতেসন পেকেজ অসি এক্ত অসিগী অনিশুবা সিদ্যুলদা পীরি।

4. RFC&T in LAR&RA Act, 2013গী সেক্সন ২৯দা লম নৎত্রগা বিল্দিংগা লোয়নবা পোৎলমশিংগী মমল লেথোকপগী ৱাফমশিং পল্লি,

5. RFC&T in LAR&RA Act, 2013গী সেক্সন ৩০গী মখাদা পুক্লিং-ৱাখলদা পীবা চৈথেঙ হন্থহন্ননবা, লম মপুগা য়ানরবা কম্পেন্সেসনগী শেনফম অদুগী চাদা ১০০গী অহেন্বা সোলাসিয়ম পীগনি।

করিগুম্বা লম মপুশিংগা য়াশিন্নবা (নেগোসিএতেদ) সেত্তলমেন্ত অমা লৈরবদি, দিস্ত্রিক্ত অদুগী দিপুতী কম্মিস্নরনা লুচিংবা দাইরেক্ত পরচেজ কম্মিতী অমা স্তেত কেবিনেতকী অয়াবা লৌরগা শেমগনি। করিগুম্বা একজেক্যুতিং এজেন্সী (EA) অতেম্বা মতমদা লম লৌশিনবা তঙায় ফদে হায়রবদি হৌজিক চৎনরিবা লেন্দ একুইজিসন এক্তকী মখাদা প্রোসেস চথরবদি মতম শাংগদবা মরম্না, দাইরক্ত পর্চেজকী খুথাঙদা লম লৌশিনবা য়াই।

## G. এসিয়ন ইনফ্রাস্ত্রকচর ইনভেস্তমেন্ত বেঙ্ক (AIIB)গী পোলিসীশিং

AIIBগী এনভাইরনমেন্তেল এন্দ সোসিএল ফ্রেমৱর্ক (ESS)কী পান্দমশিংদি অকোয়বগী অইং অশা, হৱা নুংশিৎ অমদি খুন্নাইগী ফীভম

হেন্না ফগৎহন্বা অমসুং প্রোজেক্ত অসি তুং কোইনা চৎনহন্বনি। পোলিসী অসিনা প্রোজেক্তকী ফিরেপ লৌবা অমসুং থবক থৌরম পায়খৎপদা অকোয়বগী অমদি খুন্নাইগী ফীভম ফগৎহন্নবগী থৌরাংশিংগা পুন্না চৎমিন্নহল্লি। ESFনা পীরিবশিংদি:

- প্রোজেক্ত মশক খঙদোকপা, শেম শাবা অমসুং থবক ওইনা পায়খৎপদা লৈরিবা অকোয়বগী ফীভমদা অমসুং খুন্নাইদা খুদোংথিনিংঙাই ওইহন্দনবা পাম্বৈ পুরক্নবগী মেকানিজম অমা।
- প্রোজেক্তশিংগা মরী লৈননা ৱাখল তানা ৱা তানবা, অকোয়বগী ফীভম অমসুং খুন্নাইগী ওইবা ৱাফমশিং খঙহনবা, অমসুং ৱাকৎ ৱাখৈননবা মেকানিজমগী চৎন-কাঙলোন পীবা; লোয়ননা
- চাওখৎপা পুরকপদা মতিং লৈবা হেনগৎহনবা অমসুং মহৈ ফংবা/চাবা হেনগৎহন্নবগীদমক তশেং তশেংনা অতেনবা অমসুং অশাংবা মীৎয়েঙ থমদুনা পীরিবা চৈথেংশিং হন্থহন্নবা পাম্বৈ পুথোকপনি।

এনভাইরনমেন্ত এন্দ সোসিএল ফ্রেমৱর্ক (ESF)না তৌদবা য়াদবা অকোয়বগী ফীভম অমসুং খুন্নাইগী মথৌ তাবশিংসি – (i) এনভাইরনমেন্তেল এন্দ সোসিএল এসেসমেন্ত এন্দ মেনেজমেন্ত (ESS 1), (ii) ইনভোলুন্তরী রিসেত্তলমেন্ত (ESS 2) অমসুং (iii) ইন্দিজিনস পীপল্স (ESS 3)সি এনভাইরনমেন্তেল এন্দ সোসিএল স্তেন্দর্দ্স (ESSs)গী খুথাঙদা শেম্মি। এনভাইরনমেন্তেল এন্দ সোসিএল স্তেন্দর্দ্স 2 গী ইনভোলুন্তরী রিসেত্তলমেন্তনা শোয়দনা তৌগদবনি হায়রিবদি: (i) প্রোজেক্তকী অতোপ্পা পাম্বৈশিং থিদোক্তুনা মশানা য়ানিংদনা অমুক হন্না খুন্দাহনবগী থৌওং/ ইনভোলুন্তরী রিসেত্তলমেন্ত ঙম্লিবমখৈ লৈহল্লোইদবনি, হন্থহনগদবনি; (ii) ইনভোলুন্তরী রিসেত্তলমেন্ত লৈহন্দবা ওইথোক্লোইদবা মফমদা, শোকহল্লবা মীওই পুম্নমক্কী হিংনবগী লম্বী প্রোজেক্ত মমাঙগী থাক্তা লৈরম্বা অশেঙবা ফীভমদগী হেনগৎহনবা, নৎত্রগা য়ামদ্রবদা হান্নগী ফীভমদুগা মান্ননা হঞ্জিলহনবা; (iii) ময়ুম মকৈ থাদোক্লম্লবা লায়রবা অমসুং অতোপ্পা অৱাবা তারবা কাঙলুপশিংগী খুন্নাইগী-শেন্মিৎলোন ফগৎহনবা; অমসুং (iv) প্রোজেক্ত অদুনা ময়ুম মকৈ থাদোকহল্লিবা মীওইশিংদা প্রোজেক্তকী কান্নবশিং ফংবা ঙমহন্নবা মতিক চাবা মচাক মথুমশিং ফংহন্দুনা তুং কোইগদবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং শেমগৎপা অমসুং পায়খৎপনি। করিগুম্বা প্রোজেক্তকী স্ক্রীনিং থৌওংনা ইকুই কুইদ্রিবা মতমদা ইনভোলুন্তরী রিসেত্তলমেন্ত তৌখিবা নৎত্রগা ইকুই কুইদনা তৌরক্কদবা য়াওনা প্রোজেক্ত অসিনা ইনভোলুন্তরী রিসেত্তলমেন্ত য়াওগনি হায়না ফোঙদোক্লবদি ESS 2 চৎনগনি।

## H. রিসেত্তলমেন্ত প্লান্নিং ফ্রেমৱর্ক

রিসেত্তলমেন্ত প্লান্নিং ফ্রেমৱর্ক (RPF) হায়বসি চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্তশিংনা শোকহল্লবা মীওইশিংবু অমুক হন্না নীংথিনা খুন্দাহন্নবদা শিন লাংবদা শীজিন্নরিবা চৎন-পথাপ, কাঙলোন, অমসুং নিতি নিয়মশিংনি। মসিগী মরুওইবা পান্দমদি প্রোজেক্ত অসিনা মরম ওইরগা মশানা য়ানিংদনা শোকহল্লবা ফুরুপশিং নৎত্রগা লনাই মীওইশিংদা পীরিবা খুন্নাইগী অমসুং শেন্মিৎলোনগী চৈথেঙশিং হন্থহন্নবা মওং মরিল নাইবা পরম অমা য়াৎপনি।

রিসেত্তলমেন্ত প্লান্নিং ফ্রেমৱর্ক অসি তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্তশিংগী অকক্লবা রিসেত্তলমেন্ত থৌরাংশিং শেমগৎপা অমসুং থবক ওইনা পায়খৎপদা লমজিংলিবা মপুং ফাবা দোকুমেন্ত অমনি। মসিনা অমুক হন্না খুন্দাহনবগী থৌওং মীচঙ মীখায় নাইদনা, ইফোং ফোংনা-লৌথুপ লৌকোয় লৈতনা, অমসুং দাইত্য য়াওনা খুন্নাইগী ওইনা শোকহল্লবা মীওইশিংদা পীরিবা অৱাবা চৈথেঙশিং হন্থহন্বা, অমসুং থৌওং পুম্বদা মখোয়গী নুংঙাই য়াইফহন্নবা পান্দমসু থল্লি।

## I. ফংফম থোকপা মতেঙ অমসুং কান্নবশিং (এন্তাইতলমেন্ত এসিস্তেন্স এন্দ বেনিফিতস)

ফংফম থোকপা মতেঙ অমসুং কান্নবশিং হায়বদি চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্তশিংনা মরম ওইরগা অমুক হন্না খুন্দাহন্বগী থৌওংনা শোকহল্লবা লনাই মীওইশিং নৎত্রগা ফুরুপ্তা পীরিবা ঙাক্লৌ, কম্পেন্সেসন, অমসুং মচাক মথুমশিংবু খঙনৈ। হায়রিবশিং অসি ময়ুম মকৈ থাদোকপগী অৱাবা চৈথেঙশিং হন্থহন্নবা অমসুং শোকহল্লবা মীওইশিংগী পুন্সিবু অনৌবা মফমদুদা অমুক হন্না শেমগৎপদা মতেঙ পাংনবগীদমক শেম শাবনি।

হায়রিবা ফংফম থোকপশিং অমসুং কান্নবশিং অসি রিসেত্তলমেন্ত প্লান নৎত্রগা পোলিসী ফ্রেমৱর্ক অমগী মরুওইবা শরুকশিংনি। মখোয়গী পান্দমদি শোকহল্লবা মীওইশিংদা মতিক চাবা কম্পেন্সেসন, ঙাক্লৌ পীবা, অমসুং প্রোজেক্ত অদু লোইরগা মখোয়গী পুন্সি অমসুং ফুরুপ অদুবু অমুক হন্না শেমগৎনবগী খুদোংচাবশিং ফংহনবনি।

এনতাইতলমেন্ত মেত্রিক্স অসি রিসেত্তলমেন্ত পোলিসী ফ্রেমৱর্কতা য়ুম্ফম ওইদুনা অমাঙ অতা থোক্লিবদুগী ওইথোকপা য়াবা মখলশিং অমসুং মরী লৈনবা মওং মতৌশিং লোয়ননা চাউরাকপা পীফম থোকপশিং হোৎলগা শেম্বনি।

## J. স্তেকহোল্দর মখল খায়দোকপা (স্তেকহোল্দর কেতেগরাইজেসন)

স্তেকহোল্দরশিং মখল খায়দোকপা অসি প্রোজেক্ত নৎত্রগা পোলিসী অমা হেক পায়খৎপদা, মরুওইনা অমুক হন্না খুন্দাহন্নবা নৎত্রগা চাওখৎ

থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎনবগী মরুওইবা খোঙথাঙ অমনি। স্তেকহোল্দর হায়বদি, প্রোজেক্ত অমনা শোকহল্লবা নৎত্রগা প্রোজেক্ত অদুদা ইন্তরেস্ত লৈবা লনাই মীওইশিং, নৎত্রগা লুপশিংনি। মখোয়বু মখল খায়দোকপনা মখোয়গী থৌদাং, অপাম্বা, অমসুং ইথিল পীবগী থাক খঙদোকপদা মতেঙ ওই, মদুনা অমুক মতাঙ অমদি মরম চানা থবক তৌমিন্নবা অমসুং ফিরেপ লৌবগী থৌওংদা মতিং লৈহল্লি।

স্তেকহোল্দরশিং মখল খায়দোকপনা কাঙলুপ খুদিংগা চুননা শেম শারবা এঙ্গেজমেন্ত স্ত্রেতেজীশিং শেমগৎপা, মখোয়না মথৌ তারিবশিং অমদি মরুওইনা লৌরিবশিং খঙদোকপা, অমসুং খুৎশন্ননা চৎমিন্নবা অমসুং য়ানবা ফীভম পুরকপদা মতেঙ ওই। তোঙান তোঙানবা কাঙলুপশিংগী স্তেকহোল্দরশিংগা মতাঙ অমদি মরম চানা ঈ-পাউ ফাওনবা অমসুং থবক তৌমিন্নবা হায়বসিনা প্রোজেক্ত অসি মায় পাক্লা পায়খৎনবা অমসুং শরুক য়ারিবা কাঙলুপ পুন্নমক্কী মান্নদবা ৱাখল্লোন অমসুং অপাম-পামদশিং খন্ননবগীদমক য়াম্না মরুওই।

## K. জেন্দর প্লান্নিং ফ্রেমৱর্ক

জেন্দর প্লান্নিং ফ্রেমৱর্ক হায়বসি জেন্দরগী ওইবা মীৎয়েঙবু প্রোজেক্ত অদুগী থৌরাং য়াৎপা, থবক ওইনা পায়খৎপা, শেন্নবা, অমসুং য়েংশিনবগী থৌরাংশিংগী তোঙান তোঙানবা তাঙ্ককশিংদা শীজিন্নবা স্ত্রেতেজিক এপ্রোচ অমনি। মসিগী পান্দমদি নুপা নুপী অনিগী মরক্তা থোং মান্নবা পুরক্কবা অমসুং জেন্দর পুন্নমক মপাঙ্গল হাপ্পবা জেন্দরগী ওইবা ৱাফমশিং মওং মরিল নাইনা খন্নবনি/তানবনি।

জেন্দর এসেসমেন্তনা নুপীশিংগা মরী লৈনবা মরুওইবা ৱাফমশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা পুন্সিগী থবক থৌওংশিং খঙদোকপদা মতেঙ ওইগনি। থবক ইনখাঙগী লমদা, নুপী শিন্মীশিংগী পীরিবা খুৎশুমল অসি নুপা শিন্মীশিংদা পীরিবা শেনফমগা য়েংনবদা হন্থে। লৈঙাক্লা নুপীশিংদা লমগী হক পীননবা নুপাশিংগা পুন্না লম রেজিস্তর তৌমিন্নহন্দুনা মথৌ তাবা থৌরাংশিং লৌখৎলবসু, হান্নগী লমগী হক্কী রেকোর্দ অয়াম্বদা, নুপাশিংনা লম মপু ওইরি। মসিনা লম মপু ওইবগী হীরমদা থোং মান্নদবা ফীভম অমা ওইহল্লি। খুন্নাইগী মীনোক মৈশা, য়োনবা য়াবা পোথোকশিং মরাঙ কায়দবা অমদি খুঙ্গংদগী কৈথেল ফাওবগী অরাপ্পা অসিনচিংবশিংনা মরম ওইরগা নুপীশিংনা কৈথেল কাদুনা লল্লোন ইতিক তৌবদা খুদোং চাহন্দে।

## L. ইন্সতিত্যুস্নেল অমসুং ইম্প্লিমেন্তেসন এরেঞ্জমেন্ত

প্রোজেক্ত অসিগী একজেক্যুতিং এজেন্সী পব্লিক ৱর্ক্স দিপার্তমেন্ত, গভর্নমেন্ত ওফ মনিপুরনা ওইগনি। প্রোজেক্ত দাইরেক্তর (PD)না লমজিংবা প্রোজেক্ত মেনেজমেন্ত য়ুনিৎ (PMU) অমা লৈগনি। PMU অসিনা মপুং ওইনা প্রোজেক্ত পায়খৎপগী থবক শিন-লাংগনি, অদুগা লম লৌশিনবগী থবক্লা মরী লৈনবা দিস্ত্রিক্তশিংগী দিপুতী কম্মিস্নর/ দিস্ত্রিক্ত কল্লেক্তরশিংনা তৌগনি।

PWD মনিপুরগী – ইম্ফাল ইস্ত, ইম্ফল ৱেসস্ত অমসুং হায়ৱে সাউথ – হায়রিবা দিভিজন খুদিংমক্কী মরী লৈনবা একজেক্যুতিব ইঞ্জিনিয়রশিংনা লুচিংবা প্রোজেক্ত ইমপ্লিমেন্তেসন য়ুনিৎ (PIU) অমমম (1) লৈগনি। PMUনা সোসিএল স্পিসিএলিস্তকী সর্ভিস নেক্কনি অদুগা স্পিসিএলিস্ত অদুনা (i) লেন্দ একুইজিসন (LA) অমসুং অতৈ ৱাফমশিংদা PIU বু, (ii) রিসেত্তলমেন্ত প্লান্নিং (RP) পায়খৎপদা NGOবু, অমসুং (iii) RP মোনিতরিং কন্সলতেন্তশিংবু লমজিংগনি। PIUদা দিস্ত্রিক্ত এদমিনিস্ত্রেসনগা পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা, লম লৌশিনবা, কম্পেন্সেসন পীথোকপা, ৱাকৎ ৱাখৈবনচিংবা থৌওংশিং শেন্নবা অখন্নবা স্তাফ অমা লৈগনি।

কন্সত্রক্সন সুপরভিজন কন্সলতেন্ত (CSC) অদুনা PMU / PIU অমসুং অতৈ লুপ অমা হেক্তবু মথৌ তারবদি লম লৌশিনবা অমসুং অমুক হন্না খুন্দাহনবা অমসুং মথৌ তারবদি হন্না খুন্দাবগী থৌরাং অপদেত তৌবগা মরী লৈনবা ৱাফমশিংদা ঙাক্লৌ পীগনি। PWD না RP পায়খৎপা শেন্ননবা অমসুং মতম মতমগী ওইনা য়েংশিন্নবা মনিং মখা তম্বা এজেন্সী অমগী সর্ভিস লৌগনি, নেক্কনি। PMU না য়ানরবা/অপেনবা পোকহল্লবা রিসেত্তলমেন্ত প্লান্নিং (RP) অমা হান্না তৌরবা মতুংদা লম লৌশিনবগী থবক থৌওংশিং তৌগনি। RP দা চুনবা ফংফম থোকপা অমসুং অৱাবা কোকহন্নবগী থৌরাংশিং, শোথরবা কাঙলুপশিংগী অখন্ননা খল্লগা, য়াওহন্নবসু PMUনা হোৎনগনি। অতোপ্পা এলোৱেন্সশিং য়াওনা মাঙখিবা লন-থুমশিংগী কম্পেন্সেসন অমসুং ফংফম থোকপশিং পীদ্রিবা ফাওবা এফেক্তেদ ফেমিলিজ (AF)শিং ময়ুম মকৈ থাদোকহন্দনবা নৎত্রগা তাস্তোকখিদনবা PMU না শোয়দনা হোৎনগদবনি।

PMUনা RP পায়খৎপদা PIU শিংবু মতেঙ পাংননবা NGO অমসু নেক্কনি। RP পায়খৎলিবা NGO অদুনসু শোকহল্লবা মীওইশিংগী শেনথোক্কী চাং হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিলহন্নবা থৌদাংসু লৌগনি।

## M. গ্রীভান্স রিদ্রেস মেকানিজম

গ্রীভান্স রিদ্রেস মেকানিজম (GRM) হায়বসি প্রোজেক্ত মফমদা রিসেত্তলমেন্ত এন্দ রিহেবিলিতেসন ওফ এফেক্তেদ পীপল (R&RAP) অমসুং শেমগৎ শাগৎপগী থবক থৌওংশিং পায়খৎপা হৌরকপা মতমদা শোকহল্লবা মীওইশিংদগী লাকপা ৱাকৎ, য়েৎনবা, নৎত্রগা গ্রীভান্স ৱাখৈনবা অমসুং ৱারোইশিন পুরক্কবগীদমক শেম্বা মওং মরিল নাইবা সিস্তেম অমনি। ৱাকৎ তাননবা প্লেৎফোর্ম অমা শেমগদবনি অমসুং মীয়ামদা মখোয়গী ৱাকৎশিং থাঙ্গৎলকপা য়াহন্নবগীদমক মসিগী মীফমশিং চাং নাইনা পাঙথোকপিবা য়াই। মসিনা মরম ওইদুনা ময়াম্না থম্লকপা ৱাফম অমদি ৱাকৎশিং নাকল অনিমক্কী কায়দনবা মওংদা ওথোরিতীনা ৱাখৈনবা খন্নবদা মতেঙ ওইগনি। প্রোজেক্তসি, ৱেব-বেজ মেকানিজম

ওইবগী মথক্তা, থাক অহুম নাইনা ৱাকৎ ৱাখৌনবগী মেকানিজমশিং হায়বদি, (1) প্রোজেক্ত মফমগী থাক্তা, (2) PMUগী থাক্তা, অমসুং (3) স্তেতকী থাক্তা লৈগনি। করিগুম্বা অৱাবা নংলবা মীওই অমনা থাক অহুম্মকসিদা পেন্দ্রবদি, মহাক্না জুদিসিয়রীদা চৎনবগী হক পুন্নমক লৈ।

**ৱেব-বেজ গ্রীভান্স মেকানিজম1:** করিগুম্বা ৱাকৎশিং তোল ফ্রী নম্বর নৎত্রগা ৱেব-বেজ সিস্তেমদা ফংলবদি-লাক্লবদি হায়রিবা অদু য়েংশিন্নবা অমসুং ৱারোইশিন পুরক্লবগী/হায়রিবা ৱাফমদুগী ৱারোয়শিন পুরক্লবগী মরী লৈনবা দিভিজনশিংগা ঈ-পাউ ফাউননবা মীওই অমা ইন-চার্জ ওইহনগনি। ইন-চার্জ ওইরিবা মীওইদুনা ৱাকৎ অদুগী মওং মতৌগী মতুং ইন্না, হায়রিবা অদু মরী লৈনবা ওফিসিএলশিংদা থাগনি। অসিগুম্বা ৱাকৎ পুন্নমক্কী তিকেৎ নৎত্রগা য়ুনিক নমম্বর অমা পীগনি। ৱাকৎলোয় অদুনা হায়রিবা য়ুনিক নম্বর অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা মহাক্কী ৱাকৎ মখা তানা চথগনি। কোল অমসুং পাউজেল খুদিংমক নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা পাউখুম হনগদবনি। করিগুম্বা পাউখুম অমা নুমিৎ ১৫গী মনুংদা ফংদ্রবদি, ৱাকৎ অদু প্রোজেক্ত দাইরেক্তরদা থাঙ্গৎকনি।

**তিয়র 1: (প্রোজেক্ত মফমগী থাক/সাইত লেভেল):** প্রোজেক্ত অসিগী মখাদা, PIU অদুগী মরী লৈনবা একজেক্যুতিব ইঞ্জিনিয়রনা ৱাকৎ অমসুং ফীদবেক লৌশিনবা, ৱাখৈবা, অমসুং রেকোর্দ থমজিন্নবগী মরুওইবা মফম ওইগনি। একজেক্যুতিব ইঞ্জিনিয়র অদুবু (i) কন্সত্রক্সন সুপরভিজন কন্সলতেন্ত; (ii) RP ইম্প্লিমেন্তেসন এজেন্সী; (iii) ভিলেজ লেভেল কম্মিতী; অমসুং (iv) প্রোজেক্তনা শোকহল্লবা মীওইশিংগী মীহুৎশিংনা ঙাক্লৌ পীগনি। করিগুম্বা ৱাকৎ নৎত্রগা য়েৎনবা অমা থাক অসিদা ৱাকৎ থাঙ্গৎলকপা নুমিত্তগী নুমিৎ ১৫গী মনুংদা লোইশিনবা ঙমদ্রবদি, ৱাফম অদু শন্তাইননবগীদমক PMUগী থাক্তা পুখৎকনি।

**তিয়র II: (PMU থাক/লেভেল)** করিগুম্বা চৈথেং ফংলিবা মীওই অদুনা সাইত লেভেল গ্রীভান্স সেলগী ৱাফমদা পেন্দ্রবদি, মহাক্না ৱাকৎ অদু PMU লেভেল গ্রীভান্স সেলদা থাঙ্গৎপা য়াই। তিয়র II সেল অসি প্রোজেক্ত দাইরেক্তর লোয়ননা চীফ ইঞ্জিনিয়রগী লুচিং মখাদা লৈগনি। অতৈ মেম্বরশিংদা (i) সিনিয়র প্রোজেক্ত মেনেজর EAP, (ii) মরী লৈনবা সব দিভিজনেল ওফিসর / সব দিপুতী কল্লেক্তর, (iii) PMUগী সোসিএল স্পিসিএলিস্ত, অমসুং (iv) RP ইম্প্লিমেন্তিং এজেন্সীগী তীম লীদর য়াওরি। করিগুম্বা অৱাবা নংলিবা মীওই অদু ত্রাইবেল ফুরুপকী ওইরবদি, ত্রাইবেল খুল অদুগী খুল্লাকপবু গ্রীভান্স রিদ্রেসেল কম্মিতী (GRC) অদুগী শরুক ওইনবা পাউ পীগনি। PMUনা অৱাবা নংলিবা মীওই নৎত্রগা কাঙলুপ্তা য়েৎনরিবা অদুগী ৱারোইশিন অদু নুমিৎ ২১ গী মনুংদা খঙহনফম থোকই।

**তিয়র III: (স্তেতকী থাক/স্তেত লেভেল)**. চৈথেং ফংলিবা মীওই অদুনা করিগুম্বা PIU লেভেল গ্রীভান্স সেলনা তারক্লিবা য়াথং অদুদা পেন্দ্রবদি, স্তেত লেভেল GRCদা চৎপা য়াই। স্তেতকী থাক অদুনা মনিপুর লৈঙাক্কী এদমিনিস্ত্রেতিব সেক্রেতরী (ৱর্ক্স)না লুচিংগনি অমসুং (i) প্রোজেক্ত দাইরেক্তর লোয়ননা চীফ ইঞ্জিনিয়র, (ii) দিপুতী কম্মিসন্নর নৎত্রগা ADM রেঙ্কতগী তাদবা মহাক্কী মীহুৎ, (iii) দাইরেক্তোরেৎ ওফ এনভাইরনমেন্তকী মীহুৎ অমসুং (iv) জিলা পরিসদতগী মীখল মায় পাক্লবা মেম্বরনা ঙাক্লৌ পীগনি। স্তেত লেভেল গ্রীভান্স সেলনা ৱাকৎ ফংবদগী নুমিৎ ৩০গী মনুংদা মাগী ওইবা ৱাফম অমা পীগনি।

**জুদিসিয়রী:** চৈথেং ফংলিবা মীওই অদুনা করিগুম্বা স্তেত লেভেল গ্রীভান্স সেলনা তারক্লিবা য়াথং অদুদা পেন্দ্রবদি, জুদিসিয়রীদা চৎনবগী হক লৈগনি। মহাক্না করিগুম্বা জুদিসিয়রীদা চৎনিংলবদি প্রোজেক্তনা হীরম খুদিংদা মতেঙ পাংগনি। মসিদা দিস্ত্রিক্ত কম্মিস্নর অমসুং ৱায়েলশঙশিং য়াওগনি। করিগুম্বা ৱাফম অদু ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদ্রবা নৎত্রগা GRCগী ৱাংমদা লৈখ্রবদি, মদু দিপুতী কম্মিস্নরগী ওফিস নৎত্রগগা ৱায়েলশঙ অমনা লৌখৎপা য়াই।

## N. শেন্নবা অমসুং নৈনবা/মোনিতরিং এন্দ ইভালুএসন

PMUনা AIIBগী অয়াবা য়াওরগা RP গী পান্দমশিং ফংবা ঙম্লিবরা, অমসুং করিগুম্বা ফংদ্রবদি, করম্বা থৌরাংশিং পায়খৎপা মথৌ তাবগে হায়বা লেপথোক্লবগীদমক রিসেত্তলমেন্ত ইম্প্লিমেন্তেসন তৌননবা NGO অমা লেপকনি। এক্সপর্ত অদুনা প্রোজেক্ত মমাঙদা দেতা মরাং কায়না লৌখৎনবা অমসুং শেন্নবগীদমক RP পায়খৎত্রিঙৈগী মাঙওইননা প্রোজেক্ত এরিয়া খুদিংগী বেজলাইন সর্ভে অমা পাঙথোক্কনি।

[1] ৱর্ক্স দিপার্তমেন্ত, মনিপুরগী ৱেবসাইত্তা চৈথেং ফংলবা মীওই(শিং)না মখোয়গী ৱাকৎ ওন্লাইন্দা থাঙ্গৎপা য়ানবা লিঙ্ক অমা য়াওগনি। মীচম মীয়াম্না মখোয়গী ৱাকৎ PMU ওফিসতা থাঙ্গৎপা য়ানবগীদমক PWDগী ৱেবসাইত্তা অমসুং প্রোজেক্ত মফমশিংদা তেলিফোন নম্বর অমসু পীগনি।